# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 20-12-2025)

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-ভারত সরকারনা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি অমসুং ইনোভেসনদা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। লমশিং অসিদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা সরকার অসিনা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি।

মনিপুর সাইন্স কোংগ্রেস ২০২৫ ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়-মালেমগী ওইনা অইং আশাগী খল কায়থরকপা অসিনা ঈশিং ঈচাও অমদি কা হেন্না শাবগী অৱাবা কয়া মায়োকরে। মীয়ামনা মসিদগী ঙাকথোকবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়াদা মায় ওনশিনদুনা অইং আশাগী খল অসি ঙাক্তুনা থমবা হোৎনসি।

মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিলগা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগা পুন্না খুৎশমদুনা 'সাইন্স, ইনোভেসন এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ' হায়বা হীরমদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহ অমসুং সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী সেক্রেটরি-শ্রীমতি কেংঙু জলিংলাসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সাইন্সকী লমদা থোইদোক হেন্দোকা থবক তৌবা মীওইশিংদা এৱার্ডশিং য়েন্থোকখি। মখোয়দুগী মনুংদা অকাশবানি ইম্ফালগী হান্নগী প্রোগ্রাম ইগজ্‌কিটিব-অধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্মনা ডা: প্রভাবতি সাইন্স পোপুলরাইজেসন এৱার্ড ২০২৪ পীখি। মনিপুর সাইন্স কোংগ্রেস ২০২৫ গী সেভিনিয়র অমসুং এপসত্রেক বুক ফোংবা অমসুং মনিপুর সাইন্স কোংগ্রেস ২০২৪ গী প্রোসিদিংবু ফোংবনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**অশ্বিনি(এল)ঃ** বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী ৱাঙাংলোয়-মোইরাংথেম অশ্বিনিকুমারনা ঙসি ইম্ফালগী লোক ভবনদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালাগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি হনজিলহন্নবা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা শ্রী অশ্বিনি কুমারনা ইন্টরনেল দিসপ্লেস পার্সনশিং ময়ুম ময়ুমদা হনজিলহনবা অমদি অঙাংশিংগী মহৈ মশিং অমদি পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগী মতাংদা নীংথিনা থবক পায়খৎপীনবা হায়জখি। মহাকা থাঙ্গা কেন্দ্র অমসুং থংননা লৈরিবা খুলশিং-অরোং তেরা, লফুপাৎ, সেকমাইজিং অমসুং কোমলাখোংগী মীয়ামনা মতম শাংনা থেংনরক্লিবা লম্বী চৎথোক চৎশিনগী অৱাবা কয়াগী মতাংদা পাউদমখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী থঙ্গা সলাম পুখ্রম্বম চীং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চিংথি অনি শমহনদৌরিবা কিলোমিটর অনি শাংবা গ্রীন ব্রিজ শেমগৎনবগী মতাংদসু রাজ্যপালদা তকশিনখি। উন্নবা অদুদা থাঙ্গা অমসুং কৈবুল লমজাউগী ৱাটর সপ্লাইট স্কিম শেমগৎপগী থবক অথুবা মতমদা পায়খৎলগনি হায়না রাজ্যপালনা থাজবা পীরকখি হায়রি।

**য়ুপিএফ (এল)ঃ** ঐখোয় অমুক খুন্তাক্লরোইসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা থা অমা চুপা চত্থগদবা নেসনেল রি-কন্সোলিদেসন মন্তকী শরুক অমা ওইনা চহি তরেৎ খুন্তাকপা অমসুং নেসনেল রি-কন্সোলিদেসনগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফমশিং লেপ্তুনা চত্থরি।

য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মনিপুরনা অসামগী রাজবারি এঠলেটিক ক্লব, মনিপুর বসতি মৈরা পায়বী ৱিমেন্স এসোসিয়েসন, শ্রীশ্রী রাধা কৃষ্ণ মন্দির অমসুং মনিপুরি জগনাথ বারি সেভা সমিতিগা পুন্না শিনদুনা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি গুৱাহাতিগী মনিপুর বসতিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা য়ু.পি.এফকী এদভাইজ-এল. যাদুমনিনা হায়-

রাজ্য অসিদা মতম অমদদি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা পুন্না থবক তৌমীন্নরম্মী। অদুবু ঙসিদি মাগী মাগী ফুরুপখক্কী ৱাখল্লোনদা থবক তৌনরকপনা অপুনবা মনিপুর অমগী ৱাখল্লোন অদু চাউনা চৈথেং পীরে। ঐখোয় মশেল মচোই মচোই তান্নবগী মহুৎতা হান্নগুমা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী মতম ওইরে।

**টোল্ক (এল)ঃ** দি.এম. কম্যুনিতি কলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিও ইমেজিং টেকোলোজিনা শিনদুনা রেদিয়েসন এন্দ ইটস ইমপেক্ট ইন মেদিকেল ত্রিটমেন্ট হায়বা হীরমদা ইনভাইটেদ টোল্ক অমা ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

রিমস ইম্ফালগী ফিজিসিষ্ট-রেদিয়েসন সেফতি ওফিসার-ডা: বি. অরুনকুমার শর্ম্মনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী নোদেল ওফিসার প্রোফেসার-এন. সুভাচন্দ্র সিংহ, ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**হোম গার্দ(এল)ঃ** রাজ্য সরকারনা হোম গার্দশিংগী ওইবা তোখায়বা কম্যান্দেন্ট জেনরেল অমা হাপবগী অয়াবা পীরকপদা মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

লুৱাংশংবমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মঙ্গিনা হায়-হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা মতম শাংনা তান্দুনা লাকপা দাবী অমা থবক্তা ওন্থোরকপদা সরকারবু থাগৎলি। মসিগা লোয়ননা হোম গার্দশিংগী দিয়ারনেস এল্লাউয়েন্স, রেসন মণি হেনগৎপা, সেনিয়ারিতি লিষ্ট অমদি প্রমোসনগী চৎন-কাঙলোন শেম্বীনবা মতম শাংনা তান্দুনা লাকখিবা দাবীশিং অসিসু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা আপিল তৌরক্লি।

**বোম (এল)ঃ** তেংনৌপল জিলাগী মোলনোই খুলদা ঙসি নুংথিল ফিফতি ৱান

মোটার সেল অমা পোকখায়রকপদা অঙাং অহুম শোক্লে। অশোকপা অমগী ফিভম লুনা লৈরি।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-শোক্লবা অঙাংশিং অদু খুল অসিদগীনি হায়রি। মখোয় হৌজিক পল্লেন অসাম রাইফলস হোস্পিতালদা লায়কন্নরি।

অমরোমদা, সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মনিপুর পুলিসনা কমু মপিথেল এরিয়াদগী থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আই.ই.দি. য়াওনা খুৎশু খুলায় কয়া ফাগৎলে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-মফম অদুদা আইননা য়াদবা মীওই খরা চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী মফম অদুগী য়ুম য়ুমশিংদা চংদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা, কিলোগ্রাম ৯ লুম্বা আই.ই.দি, টুয়েল্ব বোরগী নোংমৈ মরু অহুম য়াওনা নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে। আই.ই.দি. অদু বোম দিসপোজেল স্কাউদনা অশোয় অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে।

**জপান (এল)ঃ** হ্যুমেন রিছোর্স দিবলপমেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্তর খরদা তেংবাং পীননবা জপানগী কগৱা প্রি-ফেকচরেল এসেমব্লিগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

মীহুৎ কাংবু অসিনা ইম্ফালদা হেক থুংলবগা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি য়াওনা স্কিল লেবর ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ বিভাগকী সেক্রেটরিগা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখি। রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ত্রেদ এন্দ কর্ম্মস) ইন্দষ্ট্রিজ য়াওনা ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা কগৱাগী মীহুৎ কাংবু অমসুং রাজ্য সরকারগী মীহুৎশিংগী মরক্তা জপান অমসুং মনিপুরগী মরক্তা হেন্না তেংবাং পীননবগী মতাংদা খন্নখি।

জপানগী মীহুৎ কাংবু অদুনা হ্যুমেন রিছোর্স য়াওনা লৌউ শিংউ, ফোরেষ্ট্রি, শেমগৎ শাগৎপা, লল্লোন ইতিক অমসুং ফুদ সাভির্সেসনচিংবগী

লমশিংদা শিন্নী কয়া দরকার লৈবা অমদি হীরম অসিদা মনিপুরগা তেংবাং পীনবা পান্নবগী ৱাফম ফোংদোকখি। জপানগী মীহুৎ কাংবু অসিগী খোঙচৎ অসিনা মালেমগী থাক্তা তেংবাং পীনবা অমসুং মীওই কয়া থবক পীনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি হায়রি।

**জয়কিষন(এল)ঃ** এম.এল.এ. খুমুকচম জয়কিষননা হায়রি-উংখৎনবনা কনাগুম্বা অমত্তদা কান্নবা পীরোই। মসিনা হেন্না রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন, চাডখৎ থৌরাংগী খোঙজেলদা থিন্থহনগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী কংজাবী লম্পাক্তা নৌনা শেমগৎপা সিমেন্টেদ ক্রিকেট পিছ অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জয়কিষননা হায়-উংখৎনবা লৈরিবমখৈ কানহনগদৌরিবা অসি ইরাং থোকহন্নবা ইনশিল্লিবা মীওই খুজোক খরখক্তদনি। রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি পুরকবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নসি।

**অরুন(এল)ঃ** কনাগুম্বা ফুরুপ অমনা অৱাবা তারগা ফুরুপ অমনা সোসিএল মেদিয়াদা হরাউবা অমদি কেরম কথাইনবগী থৌওং অমা উরিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মসি তৌবীদনবা এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমারনা আপিল তৌরি।

ইম্ফালদা লৈবা নমদুলোংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী অরুনকুমারনা হায়- মনিপুর অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা রাজ্য অমনি। লাইনিং লাইশোলদা খেৎনবা লৈরবসু খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোনদা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি চাউখৎপা পুরকবা হোৎনমীন্নসি।

**আর্ট(এল)ঃ** ক্লাস থ্রিদগীনা আইট ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংগী লেমা

পাঙথোক্কদবা ফাইন আর্টস কোচিং কেম্প অমা ঙরাংদগী ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল খাইদেম লৈকাইদা লৈবা এস.আই. এরেনা ওফ লর্নিংদা হৌখ্রে।

নুমিৎ ৩০ নি চত্থগদবা কেম্প অসি কোংপাল সোসিএল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন য়ুথ সেন্টর অমদি খুরাই খাইদেম লৈকাই গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং মঙাললৈমা ভি.এল.এফনা পুন্না শিনবনি।

অকোইবগী ফিভম, য়েলহৌমীগী শক্তমদা শিংনরকপা অমদি নুংতিগী হিংন্নবগী লানফমদা শিংনবশিং হায়বা হীরমদা য়েকপা লাইশিং উৎপগী থৌরম অমা ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইম্ফাল আর্ট গেলারিদা ঙসিদগী হৌখ্রে। থৌরম অসি থা অসিগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিদা পেন্সননা য়েকপা তোঙান তোঙানবা পেন্টিং ২৮ উৎলি।

**পালা(এল)ঃ** সঙ্গিত একাডমী ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা নুপী খুবাই ঈশৈ ফাংনবগী থৌরম অমা ঙসি শ্রীশ্রী নরসিং ঠাকুর মন্দির মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পালাগী লমদা শকাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামগী গুৱাহাতিদা লৈবা লোকপ্রিয়া গোপিনাথ বোরদোলোই ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টকী অনৌবা টার্মিনেল বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে। শ্রী মোদিনা ফুট ৮০ ৱাংবা অসামগী অহানবা মুখ্য মন্ত্রি-গোপিনাথ বোরদোলোইগী মীতম অমসু মায়খুম হাংদোকখি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী অসাম খোঙচৎতা গুৱাহাতিদা ঙসি থুংখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা লুপা কোতি লিশিং ১৫,৬০০ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং হৌদোক্কনি অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনশিংদসু ৱা ঙাংগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং মহৈরোইশিংগা উন্নদুনা পরিক্ষা পে চরচাগী

মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বঙ্গলাগী নাদিয়া জিলাগী রানাঘটতা লুপা কোতি লিশিং ৩,২০০ রোমগী নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট অমগীনা শঙ্গাখ্রে অমগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

নাদিয়া জিলাগী নেসনেল হায়ৱে-৩৪ দা পায়খৎপা কিলোমিটর ৬৬.৭ শাংবা লেন্দ মরি লৈবা বরাজাগুলিদগী কৃষ্ণনাগর জঙ্কসন ফাওবা চৎকদবা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট-৩৪ শঙ্গাখি অমসুং নোর্থ টোইন্তি ফোর পরগনাজতা কিলোমিটর ১৭.৬ শাংবা লেন্দ মরিগী বরাসদতগী বরাজাগুলি সেক্সন ফাওবা শেমগৎকদবা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট-৩৪ উরেপ উয়ুং তমখি। মসিনা কোলকাতা অমসুং সিলিগুরিগী মরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মসিনা মীয়ামদা পুং অনিগী মতম হন্থহনবা ঙম্লগনি। প্রোজেক্টশিং অসিনা লমদম অদুগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগা লোয়নন্না টুরিজম চাউখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-মালেমগী ওইবা শেল থুম অমসুং রাজনিতিগী ওইবা থৌওংশিংনা মালেম অসিবু অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমলে।

পুনেদা পাঙথোকপা কনভোকেসনগী থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-শক্তি লৈবাক হায়বসিদা লল্লোন ইতিক, ইনর্জি, মিলিটরিগী মপাঙ্গল, টেকে ালোজি, রিছোর্সেসনচিংবা লমশিংদা হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা তঙাইফদে। ভারতকুম্বা লৈবাক অমদদি টেকোলোজিগী লমদা মাংজিল থানবা হোৎনবা, মতমগা চুন্নবা পোৎথোকশিং পুথোকপা ঙমবা হোৎনবা অসিদা হেন্না মায় ওনশিনবা তঙাইফদে।

**জি-রামঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভিক্সিত ভারত জি রাম জি বিলনা

খুঙ্গংগী মীওইশিংগী মতমগা চুন্নবা মওংদা শেন্থোক লন্বী পুরকবগী খোঙথাং অমা ওইহল্লগনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা বিল অসিগী মতাংদা ইরকপা আর্টিকল অমগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বিল অসিনা লৌমী অমসুং খুঙ্গংগী মীয়ামদা শক্তি পীবগা লোয়ননা মখোয়গী পোৎথোকশিং হেনগৎহন্দুনা লমদম অদুগী চুন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপা ঙম্লগনি।

**অসামঃ** অসামগী হোজাই জিলাদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা সাইরং-ন্যু দিল্লি রাজধানি এক্সপ্রেসনা থোন্বদা শামু তরেৎ শিরে, অমনা শোক্লে। লৈচিন কুংনা থাবনা মরম ওইদুনা শামুশিং অসি রেলগাড়ি তালিদা লৈবদু উহৌদবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে হায়রি।

সরকারগী পাউনা হায়-রেলগাড়ি অদুগী বোগী মঙা অমসুং ইঞ্জিন অদু তালিদগী ওন্থখি।

**নন্দাঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি-জি.পি. নদ্দানা ঙসি ন্যু দিল্লিদা হন্দক্তা নৌনা শঙ্গাখিবা ৱাৰ্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী সাউথ ইষ্ট এসিয়া রিজনেল ওফিসা য়েংশিনখ্রে। শ্রী নদ্দানা খা নোংপোক এসিয়া লমদমগী লৈবাকশিংদগী লাকপা মীহুৎশিং অমসুং মন্ত্রিশিংগসু হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

উন্নবা অদুদা মন্ত্রিনা হায়-মালেমগী অমসুং লমদম অসিগী ওইনা হকশেলগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক্তা অমগা অমগা তেংবাংনবা তঙাইফদে। অমত্তা ওইনা পুন্না থবক তৌমীন্নদুনা মীয়ামগী হকশেলগী লমদা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি ঙাকথোকপা ঙমগনি। ৱাৰ্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন সাউথ ইষ্ট এসিয়া রিজনেল ওফিস অসিনা মীয়ামবু অমত্তা ওইনা পুন্না হকশেলগী

লমদা থবক তৌমীন্নবগী খুদম পীরি।

**বেদমিন্টনঃ** মনিপুরগী বেদমিন্টন শান্নরোই-মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং, য়োনেক্স সনরাইজ বঙ্গলাদেস ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইরে।

ঙসি পলটনগী সহিদ তাজ্দিন অহমদ ইন্দো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা মৈরাবনা ভারতকী সট্রলর-নুমের সৈখবু সেট ২১-৭, ২১-১২ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এম.পি.এ. থৌনাওজমনা নপসা খা-ইম্ফালবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ৱাই.এ.সি. য়াইস্কুলনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. ললাম্বুং মখোঙবু রন-১৮৫ থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা চত্থরিবা মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফিগী ফাইনেলদা হয়েং পি.টি.সি.সি. পাৎশোই অমসুং কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈ থেংনরগনি।

ফাইনেল মেটচ অসি খাঙবোক্কী পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নগনি।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. লালাম্বুংনা টি.সি.এন.দি.সিবু থোংজবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখ্রে।